পাকিস্তানগী লাইনিং-লাইশোনগী স্কুল অমদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৭ শিরে ৮০ হেন্না শোক্লে

পেসৱার, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী পেসৱার সিটিদা লৈবা লাইনিং-লাইশোনগী সেমিনরি অমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখ্রে অমসুং মীওই ৮০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা অমসুং হোস্পিটালগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মতম শাংনা ইস্লামিষ্টশিংনা ইরাং হৌদুনা লাকপা অফঘানিষ্টানগী বোর্দরগা নক্লবা অৱাং নোংচুপ থংবা সিটি অদুদা বোম পোখায়হন্দুনা মীশিমীনা কয়া থোকহল্লিবদুগী মতাংদা খুদক্তা মীওই অমত্তনা নৎত্রগা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি মদুদি মশক খঙদবা মীওইশিংনা পোকখায়গনবা মচাকশিং (এক্সপ্লোসিভ) য়াওনা প্লাষ্টিক খাউ অমা থল্লমখি।

পেসৱারগী পুলিস চীফ মোহম্মদ অলি গান্দাপুরগী মতুং ইন্না বোম অদুদা এক্সপ্লোসিভ কে জি ৬ য়াওরমখি। সিটি অসি য়াওনা পাকিস্তানদা লালহৌবগী ইরাং হৌখিবা চহী খরা অসিদা হন্থরকখিবা ওইরবসু চহী অসিদা পেসৱারনা কেপিটেল ওইরিবা প্রোভিন্স খাইবর পাখতুনখ্বাদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌবা হেনগৎলকখি। মমাংদা চথখিবা এটেক খরদি পাকিস্তানগী টালিবান্না ক্লেম তৌখি। অদুম ওইনমক লালহৌবা গ্রুপ অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা থোক্তুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী বোমগী এটেক অদুবু কনে দম তৌবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা গ্রুপ অসিগী খুৎ য়াওদে হায়না শেংদোরকখি।

সিটি অসিগী লেদি রিদিং হোস্পিটালগী দিরেক্টর তারিক বুর্কিনা হান্না শিখিব মীওই তরেৎতুগী মনুংদা মরিদি অঙাংশিংনি হায়খ্রবা মতুংদা অঙাং মরি শোক্লে অমসুং শিখিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা অঙাং য়াওদে হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না অশোকপা মীওই ৮৩ গী মনুংদা মঙাগী ফিভম লুরি। হোস্পিটালনা থাদোরকখিবা লিষ্ট অমনা অশোক-অপন নংলবা মীওই ১০ হেন্না অফঘানিষ্টানদগীনি হায়বা উৎখি। মাদ্রাসা অদুগী লাইনিং-লাইশোনগী স্কোলর শৈইখ রাহিমুলাহনা মহৈরোয়শিংদা মহৈমশিন তম্বগী তঙাইফদবগী মতাংদা তাকপী-তম্বীরিবৈঙদা খঙহৌদনা চাওনা পোকখায়রক্তুনা কেমেরাদা শাফু পীখিবগী শক্তম য়াওবা ভিদিও অমা পুলিসনা উৎখি।

হোস্পিটালগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না মহাক বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিহৌদ্রবসু শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়েং চথুরি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা মতেং পাংনবনা কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি : গুতেরেস

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা মতেং পাংনবনা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমদি ক্লাইমেট ইমর্জেন্সি মায়থিবা পীনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুতেরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক, ক্লাইমেট ইমজেন্সি, শেল-থুমগী লমদা অমগা-অমগা খেন্নবা হেনগৎলকপা অমসুং হঙ্গৈই-তুক্কচবা ৱাখল্লোন শন্দোরকপা কোকহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মালেম পুম্বনা অমগা-অমগা মতেং পাংনবা অসিনি হায়না গুতেরেসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইনফোর্মেল প্লিনরি মীটিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা অচৌবা শীংনবা কয়া মায়োক্নরক্লিবা মতম অসিদা লৈবাক ময়াম খুৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নবদা থাজবা থম্নবা হায়বা জেনরেল এসেমব্লিগী দিক্লারেসন ঐহাক্না তরমানা ওকই। মালেমগী প্রোব্লেমশিং থেংনমিন্নবগী পোলিটিকেল ৱিল চেৎশিনহনগদবা অমদি হৌজিক্কী অমসুং তুংগী শীংনবশিং থেংন্নবা লৈবাকশিং ৱাখল লৈনা হোৎনমিন্নরকপদু ঐহাক্না উবা পাম্মী হায়না গুতেরেসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পুৱারীদা লৈখিবা এচিভমেন্টশিং শীংথারদুনা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী প্রোব্লেমশিং থেংননবা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা অপিল তৌখি। সেক্রেটরি জেনরেলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মায় পাকপদি পুন্সি কয়া কনবীবা, অৱাবা কয়া কোকহনবীবা, মফম কয়াদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবা, পুন্সি মহিং ফগৎনবগী খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা অমসুং মীয়ামগী রাইটশিং ঙাক শেনবীবা অসিনা ওইরি হায়না মখা তাখি।

বিহারগী এসেমব্লি মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা মিনিষ্টর ৮, এক্স-সী এম অমগী মরাইবক লেপ্লগনি

পটনা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

বিহারদা অহানবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৭১ গী মীখলগী কেম্পেন নিংথৌকাবা নুমিত্তা লেপহনখ্রবসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী ভোটরশিংবু থেম্নবা হোৎনবদা কেন্দিদেটশিংনা অরৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নদুনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা মরাইবক লেপকদৌরিবা পোলিটিকেল লিদরশিংগী মনুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জিতন রাম মনজি অমসুং মিনিষ্টর ৮- প্রেম কুমার, কৃষ্ণন্দন বর্মা, শাইলেস কুমার, বিজয় কুমার সিনহা, জয় কুমার সিংহ, রামনারয়ন মন্দল, সন্তোশ কুমার নিরালা অমসুং ব্রিজ কিশোর বিন্দ য়াওরি।

গয়া এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীখল থেংনরিবা মিনিষ্টর প্রেম কুমারগী সপোর্টরশিংনা পোলিং বুঠ লেভেলগী ৱর্করশিংগা ৱারী শান্নখি। বি জে পিগী কেন্দিদেট দীপক শর্ম্মগী সপোর্টরশিংসু অরৱাল কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীয়াম্বু থেম্নবা হোৎনখি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী ৱর্করশিংনা পোলিং বুঠ লেভেল ফাওবদা চথরিবা শেম-শাবগী থবকশিং য়েংশিল্লি হায়না শর্ম্মনা ফোঙদোকখি। অৰ্ৱালদা মহাক মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌরদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি কাঙলুপ খুদিংমক্কী ভোটরশিংনা মহাকপু শৌগৎলি।

সুন্তালপুর কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট অমসুং য়ুঠ কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ললন কুমারসু মীয়ামগা উনখি অমসুং নহারোলশিং অমসুং অহল ওইরবশিংগী থৌজাল নীখি। অমরপুরগী এল জে পি কেন্দিদেট মৃনাল শেখরনসু মীখল তৌদ্রিঙৈ চিরবা মতমদা ভোটরশিংগা নকশিন্ননবা হোৎনখি। বিহার এসেমব্লিগী অপুনবা সীট ২৪৩গী মনুংদা সীট ৭১গী মীখল য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অহানবা তাঙ্কক অসিনা কেন্দিদেট ১,০৬৬ কী লাইবক লেপকনি। ভোটর ক্রোর ২ লাখ ১৪ দগী হেনবনা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক্তা পোলিং বুঠ ৩১,৩৭১ শেমগৎলে। বিহারগী এসেমব্লি মীখল অসি তাঙ্কক অহুম থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অহানবা তাঙ্কক্তা ওক্টোবর ২৮ দা সীট ৭১ গী মীখল পাঙথোক্লগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্ককশিংনা মথংশিংনা নবেম্বর ৩ অমসুং নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কনি। নবেম্বর ১০ ভোট মশিং থীগনি।

নিতিন গদকারিনা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট ৯ উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

9 NATIONAL HIGHWAY PROJECTS
Total Length 262 KM
Projects ₹ 2752
Shri Nitin Gadkari
Dr. Jitendra Singh
Date: 27th October,

অগরতলা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ত্রিপুরাদা হায়ৱে প্রোজেক্ট ৯গী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। প্রোজেক্টশিং অদু লুপা ক্রোর ২.৭৫২ হেন্না চঙনা পায়খৎকদবনি।

প্রোজেক্টশিং উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব, মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিতেন্দ্র সিংহ, মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর, জেনরেল রিটায়র্দ ভি কে সিংহ, ত্রিপুরাগী এম পিশিং অমসুং এম এল এশিংনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর গদকারিনা হায়খি মদুদি কিলোমিটর ২৬২ শাংবা লম্বীগী প্রোজেক্টশিং অদুনা লল্লোন-ইতিক্কা মরী লৈনবা টুরিজম হেনগৎহনবগা লোয়ননা অৱাং-নোংপোক লমদমগী কন্নেক্তিভিটি হেনগৎহল্লগনি। চৎথোক-চৎশিন অমদি পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিনগী অচংমল হন্থহন্দুনা মীয়ামগী পুন্সি হেন্না নুংঙাইহল্লগনি হায়না মহাক্কী ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি প্রোজেক্টশিং অদু লোইরবা মতমদা ষ্টেট-মশেল ফাওদোক-ফাওজিন তৌনবদা হেন্না খুদোং চাহনবগা লোয়ননা বাংলাদেশকা ফাওনবদসু হেন্না খুদোং চাহন্দুনা ইন্টরনেসনল কন্নেক্তিভিটিসু ফগৎহল্লগনি। প্রোজেক্টশিং অসিনা ষ্টেট অসিগী টুরিজম সেক্টর হেন্না চাওখৎহনবদসু মতেং পাংলগনি।

অনৌবা প্রোজেক্টশিং অসিনা ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক্কী কন্নেক্তিভিটি হেনগৎহল্লগনি, তোঙান তোঙানবা টুরিষ্ট সেন্টরশিং, পুৱারীগা শাগোন্নবা মফমশিং অমসুং লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা মফমশিংদা হেন্না য়াংনা অমসুং অশোয়-অঙাম থোক্তনা চৎপা য়াহল্লগনি। হায়রবশিং অসিগী মথক্তা প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অসিগী অনস্কিল, সেমি-স্কিল অমসুং স্কিল মেনপৱারদা থবক মরাং কায়না ফংহনবগা লোয়ননা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী খুদোংচাবশিংসু চাওনা ফংহল্লগনি।

প্রোজেক্টশিং অদুনা চৎথোক-চৎশিনগী মতম অমদি গাড়ি মেনে টনেন্সকী অচংমল হন্থহনবগা লোয়ননা থাউ শীজিন্নবগী চাংসু হন্থরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

এফ আই আর হন্দোকউ য়াখিদ্রে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

মেঘালয়াদা খুন্দারিবা বেঙ্গলিশিংগী মায়োক্তা পোষ্টর কয়া থেৎখিবগীদমক্তা খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু)গী মায়োক্তা পানখিবা এফ আই আর হন্দোক্লবা হায়বদা বি জে পি অসাম য়ুনিটকী য়ুঠ ৱিথ লিদর অমনা য়াখিদ্রে।

বেঙ্গলিশিংগী মায়োক্তা অসিগুম্বা বেন্নরশিং অমসুং পোষ্টরশিং থেৎখিবগী মতাংদা কে এস য়ুগী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা এপোলোজাইজ তৌদ্রিফাওবা ঐখোয়না এফ আই আর হন্দোক্লেই হয়না ভারতিয়া জনতা য়ুভা মোর্চা (বি জে ৱাই এম)গী কছার চীফ অমিতেশ চক্রবোর্তিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। কে এস য়ুগী চীফকী মায়োক্তা হৌখিবা চয়োলদা ফাইল তৌখিবা আই আই আর হন্দোক্লবা মেঘালয়াগী বি জে পি এম এল এ অমনা চক্রবোর্তিদা হায়জখিবনি

চাইনানা কিহল্লকপশিংগী মতাংদা য়ু এসনা ৱার্নিং তৌখ্রে, ইন্দিয়াগা মিলিটরি পেক্ট খুৎয়েক পীনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী): চাইনানা মতিং ফুদোক্লবা হোৎনরকপদা লৈবাক কয়াদা অকিবা পোকহল্লে হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পমপিওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়ানা অরুবা সেটলাইট অমসুং মেপ দেতা শীজিন্নবগী মতাংদা মিলিটরি পেক্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা থুংখিবা পম্পিওনা ইন্দিয়াগী লেংমান্নবশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা হায়খি মদুদি চাইনানা সিক্যুরিটি অমসুং ফ্রীদমদা অকিবা পীরক্লিসি লৈবাক অনীনা খুৎশম্ননা থেংনমিন্নগদবনি। য়েৎনরিবা বোর্দরদা ইন্দিয়ন ট্রুপশিংনা চাইনিজ ফোর্সশিংগা উংখৎনদুনা লৈরিঙৈদা চহীগী ওইবা য়ু এস-ইন্দিয়া ষ্ট্রেটেজিক দাইলোগ পাঙথোক্লিবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী সিটিজনশিংবু অমদি নীংতম্লা হিংলিবা মালেমগী সিটিজনশিংবু তাথিবগী থৌওং কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক গভর্নমেন্টশিং খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নরক্তুনা অচৌবা থৌদোক কয়া পাঙথোক্লি হায়না পম্পিওনা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুব্রামানয়ম জয়শঙ্কর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অনৌবা দিফেন্স পেক্ট - বেসিক এক্সচেঞ্জ এন্দ কোওপরেসন এগ্রীমেন্ট ওন জিওস্পেসল কোওপরেসন অসিনা লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা মতেং পাংনবা হেনগৎহনগদবা শীংথানিঙাই ওইবা তাঙ্কক অমা লাকহল্লে হায়না ইস্পরনা ন্যুজ কনফরেন্স অদুনা ফোঙদোকখি। পেক্ট অসিনা ইন্দিয়ানা মিসাইলশিং অমসুং খুৎলায় য়াওবা দ্রোনশিং টার্গেট তৌবদা য়াম্না মরু ওইনা চংই হায়না লৌনবা মখল মখা কয়াগী তোপোগ্রাফিকেল, নোটিকেল অমসুং এরোনোটিক দেতাশিং শীজিন্নবা য়াহল্লগনি হায়নসু ইস্পরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘এন এস সী এন (আই এম)গী দিমান্দগী মতাংদা সেন্টরনা ফোর্মুলা অমা পুথোক্লবা হাংনরি’

কোহিমা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):

এন এস সী এন (আই এম)গী তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনগদবনি হায়বা দিমান্দশিংগী মতাংদা সেন্টরনা ফোর্মুলা অমা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না নাগালেন্দগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জেলিয়াংনা ৱাফম অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা জখামা ভিলেজদা মরক্কী মীখলগী রেলি অমদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

দিল্লিদা হৌখিবা চয়োলদা অমিট শাহগা উনরবা মতুংদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা ওপোজিসনগী লুচিংবসু ওইরিবা জেলিয়াংনা হায়খি মদুদি তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী ৱাফম অসি লৈখায় তাথোক্লবগী ফোর্মুলা অমা পুথোক্লবা হোম মিনিষ্টরনা ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)গী টিম অমদা খঙহনখ্রে।

হান্নগী সী এম অমসুং এন পি এফকী লিদর জেলিয়াং মশা য়াওনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট), এম ঐচ এ সাত্যেন্দ্র গার্গ, আই বিগী দিরেক্টর অর্বিন্দ কুমার, নোর্থ-ইষ্ট দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (নেদা)গী কনভিনর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা, চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওসু শরুক য়াখি।

জেলিয়াংগী মতুং ইন্না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা রুলিং এন দি পি পি অমসুং ওপোজিসন এন পি এফতা নাগা ইশ্যুগী মতাংদা অরোয়বা ৱারোইশিন পুরক্লবা পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়খি। হোম মিনিষ্টরনা লুচিংবা অনীমক্তা ৱারী শান্নরিবা নাগা গ্রুপ অনী এন এস সী এন (আই এম) অমসুং এন এন পি জিবু টেবলদা ফমিন্নুনা তান্নবা য়াবগী ফিভম লাক্লবা ৱাখল তাহন্নবসু হায়খি।

জেলিয়াংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওক্টোবর ১৫ দা পাঙথোকখিবা কন্সল্টেসন মীটিং অদুদা ওপোজিসন পার্টি য়াওখিদবা ওইরবসু ষ্টেট গভর্নমেন্ট, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, চর্চ অমসুং এন জি ওশিংগা য়ানখিবা পোইন্ট তরেৎকী রিজোল্যুসনগী মতাংদদি ওপোজিসনগা রুলিং পার্টিগা মোৎ অমত্তা ওই। নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী ফিরেপ নৌহৌননা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, পার্টি অসিনা নাগা ইশ্যুগী মতাংদা মীয়ামগা তান্নরগা থবক তৌরি অমসুং পার্টিগী পান্দমদি এন এস সী এন-আই এমগা এন এন পি জিকা য়াশিন্নহনবনি।

[illegible]/নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি

Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct. Patsoi Makha Leikai, Part- 4

[illegible]/লোক কংখু খুবা, হরা থুংবা, তুম্বা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, শাদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মফম খূদিং চিকপা-নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, শ্বর চানিং তানা হোনবা ৱাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কয়াগী মমাংদগী এজমানা নাদুনা লোক কংখু খুবা, হরা থুংবা, তুম্বা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, শাদৌ থোংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌবা, হকচাংগী মফম খূদিং চিকপা-নাবা, খূৎ হাইগপী ঙমদবা, শ্বর চানিং তানা হোনবা ঙমদবা, মীহুল কা হেন্না চোংবা, নোং চুবদনা হেন্না শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, হকচাং চোকথ-ৱাম্থরগতা লৈবা,করিগুম্বা থবক অমফাওবা মপূং ফানা শুবা ঙমদবা, পোৎ অরুম্বা পুবা ঙমদবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, করিগুম্বা পোৎ অমা পায়বদা খূৎতগী তাখিবা খঙহৌদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদপু পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7758/28 *থাগৎচরিবা :* **N. Manisana**, Keishampat

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

মখাগী অনাবশিং অসি হীদাক গুল্লি য়াওদনা অমোনবা লশিংনা হীদাক ওইরগা খূৎলি শুরগা য়েংজরি। মতম কুইনা নারবা অরিবা অনাবশিং, কোক ঙাওবা, কোক চিকপা লুম্বা, ঙক্লি নাবা, মীৎ মশেং-মরাং উবা, পি তাবা, মীৎ তোয়না খপ্পা, ঙৌদোং, মীৎ হাক্কৎচবা, নাকোং ঙংবা, না তাদবা, খনাউ নাবা, হাকাম চনবা ঙমদবা, তোন্সিল, খনাউ পোম্বা, মায়-মীৎ পৈবা-চিংবা, য়ারি পোম্বা, য়া নাবা, (ঈ এন টি) প্রোব্লেম লৈবশিং, থবাক নাবা, হার্ট দিজিজ, থবাক শাবা, থিনবা, লেংবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, অজমা, লোক খুবা, কংখু, লোল ফাইবা, নুঙ লৈবা মখলশিং, চাকখাউ নাবা, অঙাংখাউদা পোম্বা, লিভরগী অনাবা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, থাগী খোংকাপ লাক্তবা, নুপীগী ফীনুংগী অনাবশিং, ব্রেষ্ট কেন্সর মখলশিং, হাক্কৎচবা, ফুরি-ফুরাং, পাৎপা, পোম্বা, পৎপা, অপোম্বা মখলশিং, দাইবেটিস, মপান তোয়না থোকপা, সুগর ৱাংবা ইন্সুলিন কাপ্পরোই, হীদাক গুল্লি চাররোই। শিংলি শোনবা, শরূ শোনবা, পেরলাইসিস, খ্বাঙ কোনবা তিংহনবা, পাইলস (নুংশং মখলশিং), খুৎ-তাঙ চাওথোকপা, খুউ পোম্বা-চিকপা, মেৎপদা কুৎশিনবা, খোঙয়া শাবা, তুম্বা য়াদবা, ৱাখল লৈতাদবা, লিন হাৎলুবগী অনাবশিং, লাই নুংশিৎ ঙাওরি-শারিবা, খোঙ চিংবা, বি পি ষ্ট্রোক, শিংলি থুপ্পা, খোঙ-খূৎ লৈখায়খিবা নাবা, তুম্বা চাবা য়াদবা, অশোনবা মশা কনখৎহনবা, অসিদসু নৎতনা অনাবা খূদিংমক মায় পাক্লা লায়েংজরি।

(NB : মীগী মীহু, য়েক্লবদগী ঙাকথোক্লবা যন্ত্রা শেমজরি তানবীবা য়াগনি)

লায়েংফম :- **Porompat JNIMS Road Imphal East (Near UBI Bank) Contact No. 8974671844**
লায়েংজরিবী :- **Kh (o) Langlen (Medam Langlen)**
HL-P/7941/28

[illegible]/ খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, মশানা হনগৎলু য়াদবদগী খূৎনা ইনশিনবা, খূৎনা ইনশিনবদু নারগা অমাংথোংদু লুম-লুম লাউরগা লৈরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐ নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবদগী খূৎনা ইনশিনবা, খূৎনা ইনশিনবদা নারগা অমাংথোঙদু লুম-লুম লাউরগা লৈরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, কুইনা চঙবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, অমাংথোঙ অকোয়বদু চাউথোরকপা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙ মনুংদগী তিনকুপ থোক্লপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূক্তা মতুম অমা কোইচেন চেল্লগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, খনাউদা ইথনতা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/28 *থাগৎচরিবী :* **G. Hemo,** Pallel

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation case no. 261/SDC/M dt. 27/10/2020

Chingakham Kiran Devi D/o Moirangthem Muhindro Singh of Terakhongshangbi.

-Vrs-

1. Late Moirangthem Beikul Singh S/o Late Teba Singh of Leimaram.
2. Leichombam Mangi Singh S/o Late Upo Singh of -do-
3. Ningthoujam Mangoljao Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Oct., 2020

Under Section 46 (3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৯৬৮ অনৌবা সী এস দাগকী নং ১৩০৩ এরিয়া ১.৮৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুগা কো-পাট্টাদার নং ২ অমসুং কো-পাট্টাদার নং ৩গী শরুক পূন্না মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিগী মিংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6482/28 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mutation case no. 872 of 2020

1. Naorem Ibomcha Singh S/o (L) Chaoba Singh of Naorem Makha Leikai.
2. -do- (o) Chaobi Devi W/o Ibomcha Singh of -do-
(share of 1&2 0.09 acre from Patta No. 304)
3. -do- Romesh Singh S/o (L) Chaoba Singh of -do-
4. -do- (o) Kiran Devi W/o Romesh Singh of -do-
(share of 3&4, 0.09 acre from Patta No. 304)
5. -do- Ibecha Devi D/o (L) Chaoba Singh of -do-
(share 0.02 acre from Patta No. 379)
6. -do- Bijoy Singh S/o (L) Chaoba Singh of -do-
7. -do- (o) Babita Devi W/o Bijoy Singh of -do-
(share of 6&7 0.09 acre from Patta No. 379)
8. -do- Dhana Singh S/o (L) Chaoba Singh of -do-
9. -do- (o) Amina Devi W/o Dhana Singh of -do-
(share of 8&9 0.09 acre from Patta No. 379) -Applicants

-Vrs-

(L) Naorem Chaoba Singh S/o (L) Tomba Singh of Naorem
-O.P.Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Nambol, the 27th October, 2020

Under Section 46 (3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২২-নাওরেমগী পাট্টা নং ৩০৪ (অনৌবা), ৩৭৯ (অনৌবা) দাগ নং ২১১২, ২১১১ এরিয়া একর ০.১৮, ০.২০ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি ৯না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মখোয়গী মমিংদা মাগী-মাগী শরুক লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/7944/28 Sd/- **Sub-Deputy Collector, Nambol**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, VIII-KAK

Ref :- Mut. case no. 895/AS&SO/VIII-KAK of 2020

Yumnam Ranjan Singh S/o (L) Kameshwor Singh of Chingamathak Ngakraba Leirak. - Petitioner

-Vrs-

(Late) Yumnam Kame Singh S/o (Late) Gopal Singh of Chingamathak Nameirakpam Leikai. - Opp

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kakching, the 26th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৭৩-এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ১০৩, ৪৫৯, ১৮৩ এরিয়া ৬১৫ অনৌবা দাগ নং ২০৭৯ এরিয়া ৫.০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা কো-পাট্টাদার নং ২ ওইনা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদার নং ২গী শরুক ২.৫০ একর চাওবা লমগী শরুক অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপ্তি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৪/১১/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা আপ্তি তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

***Sd/-* K. Niranjan Singh**
HL-B/6484/28 Assistant. Survey & Settlement Officer, VIII-Kak

---

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, VIII-KAK

Ref :- Mut. case no. 894/AS&SO/VIII-KAK of 2020

Yumnam Ranjit Singh S/o (L) Kameshwor Singh of Chingamathak Ngakraba Leirak. - Petitioner

-Vrs-

(Late) Yumnam Kameshwor Singh S/o (Late) Gopal Singh of Chingamakha Nameirakpam Leikai. - Opp

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kakching, the 26th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৭৩-এলাংখানপোকপী পাট্টা নং ১১৫ অরিবা, ৬১৬ অনৌবা দাগ নং ৩০৩৮ এরিয়া ১.০২ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপ্তি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৪/১১/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা আপ্তি তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

***Sd/-* K. Niranjan Singh**
HL-B/6484/28 Assistant. Survey & Settlement Officer, VIII-Kak

---

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation case no. 361 of 2020

Dr. G.D. Ransinghung R.N. S/o G.D. Gondaichung R.N. of Wainem Village. -Applicant

-Vrs-

1. (L) Rengshumshoi Naga S/o (L) Kheda Naga of Wainem.
2. Gondaichung Naga S/o (L) Kheda Naga of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Oinam, the 27th October, 2020

Under Section 46 (3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ৫২৫ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৪৯ এরিয়া একর ২.৯৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী লম অমসুং পাট্টাদার ২গী লম পুন্বা কল্লুগা ইমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

***Sd/-* S. Budhichandra Singh**
HL-P/7944/28 Sub-Deputy Collector, Oinam

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mut. case no. 451/AS & SO/TBL Dt. 16/10/2020

Shoibam Sumati Devi W/o (L) Kumar Singh of Thoubal Achouba Bank Mamang.

-Vrs-

(Late) Shoibam Chaoyaima Singh S/o (L) Chonjon Singh of Thoubal Achouba.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

27/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং. ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং. ৬০৮ (অরিবা) ১০৩০/১২৪২ (অনৌবা) দাগ নং. ৩১২৪ এরিয়া .০১২৪ হেক্টর চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা নুমীৎ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

***Sd/-* M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer, Thoubal,
HL-P/7945/28 Govt. of Manipur